ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯶꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ৩১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৬৮শুবা মশীং

# হীদাক মনাগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ

## *হীদাক মনাদগী কারকপা টেক্সতা মিতাবা মতম হেল্লে*

***চহী খূদিংগী*** ওইনা মে ৩১বু মালেমগী হীদাক মনাগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ (ৱর্ল্ড নো টোবেক্কো দে) হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি মীওইবদা অফবা মচেৎ অমত্তা পীদবা পোৎশক অসিবু শীজিন্নদনবা ৱাখল তামিন্নবনি। কুমসি চহীগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি হীদাক মনা অমসুং থম্মোয়গী লায়না হায়বসিনি। হীদাক মনা অমদি মসিগী পোৎলমশিং মীওইবনা থক-চারুরগা থোরকপা খুদোংথীবা কয়াদগী নাম্থোকহৌননবা মালেমগী মীপূম খূদিংমক্তা পাউজেল অমা পীননবগীদমক ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেশন্না মে ৩১বু অখন্নবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌদুনা হীদাক মনাগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ হায়বা থৌরম পাক-শন্না শীনবনি । লৈবাকসিদা লৈবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৪৬.৫ হীদাক মনা শিজিন্নে হায়না পানৈ। মশিং অসিগী মনুংদা নুপীনা চাদা ১৩.৮ নি। চহী খূদিংগী ওইনা অঙাং মিলিয়ন অনী চুরূট থকপগী হৈনবী লৈরে। চুরূটকী মচাক্তা মীওইবগী হকচাং মাঙ-তাক্ন হংঙাই ওইবা মচাক ২৫০ রোম য়াওই হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি। মসিগী মনুংদা ৫০ না কেন্সর পোকহল্লি। হীদাক মনা শীজিন্নবদগী মীওইবদা নাহনবা কেন্সর লায়নাশিংগী মনুংদা চীন অমসুং লংসতা নাবা কেন্সরদগী হৌরগা খৌনাও চরমদগী থবাক্কী শরুকশিংদা নাবা অনাবশিং পনবা য়াই । লায়না অসিদগী কন্ননবগী উপায় হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি । য়াম্না ঙন্না খঙহৌরবদি ফীভম খরা শোইনাইরবসু হিংবা য়াওনৈ । অদুবু লায়না অসিনা নাবা মীওই অমা লায়েংননবা হোৎনবদা লৌরি-য়ুম্ফম ফাওবা মূৎপা য়াওনরি। লায়েংবদা শেল য়াম্না চঙবা অমসুং হিংবগী খুদোংচাবা য়াম্না নেম্বা মরম্না লায়না অসিগী হৌরকফমগী শরুক অমা ওইরিবা হীদাক মনা অমসুং মসিগী পোৎলম শিজিন্নদবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী ওইনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাংনি হায়না লৌদবা য়াদে।

হকচাংগী ফীভম ফৎলক্ত্রবা, কনবা ঙম্লরোইদবা কেন্সর লায়নানা নাবদগী অশি ফমুংদা হীপ্লবা মতমদতা করিগীদমক হীদাক মনাগী পোত্থোক শীজিন্নরুবনো হায়বগী নুংঙাইজদবা ফোঙদোকপনা মহাক্না মমাঙদা শীজিন্নখিবা হীদাক মনাগী পোত্থোকশিং অদুগী মরাল কোকপা হায়বদুমদি ওইথোকপা য়াদবনিনা অদুমক তাইবংপানদগী চৎখিবা তাবনি । ইরলসু তিংবা, শিজনবগী লম্বীসু পীবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসিবু ঐখোয়না চাবা নৎত্রগা থকপদা হৈনবী ওইহনবা হায়বসি অফবা নত্তে। হীদাক মনাগী পোত্থোক্তা য়াওরিবা নিকোটিন হায়রিবা তমথিখ্রবা মচল অসিনা ঐখোয়বু হৈনবী ওইহনবনি। অসিগুম্বা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা খরদি মণিপুরদা শীজিন্নবা অমসুং কৈথেলদা য়োনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থম্বা লৈখ্রে। অদুবু মীওই কয়া অমনা অথিংবা থল্লিবা পোৎলম অসি হৌজিকসু শীজিন্নবা লেপ্তে। লৈকায় লৈকায় খুদিংদা, শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা ইম্ফালগী কৈথেলদা অসিগুম্বা মখলগী হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি ফঙই। অথিংবা থম্বগী মীংদা লল্লোনবশিংনা মমল কানা য়োল্লি অমসুং মখোয়গী ফরবা লল্লোনপোৎ ওম্থোকই। শোমদনা মীওই লীশিংনা খুজিং ওইরগা লায়েংবদা ৱারবা কেন্সর লায়নাশিং পোকহল্লি। মীওইবগী পূন্সি মাঙহনবা ঙম্বা হীদাক মনাগী পোত্থোক অসি থিংননবা হৌজিক ফাওবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেটকী ওইবা লো অমত্তা শেম্বা লৈত্রি। মদুগী মহুত্তা মীয়াম তিনবা মফমদা চুরূট থক্তবা, হীদাক মনাগী পোত্থোক অমদি চুরূটকী মখূমদা তমথীরবা কেন্সরনা ওইহনবা শক্তম অমসুং টেক্স খরা য়াম্না চাউনা লৌহৌবা হায়বসিনা ওইরি। মীয়ামবু হীদাক মনা শিজিন্নগনু হায়রগা কৈথেলদা টেক্স লৌরগা ফোংনা য়োনবা য়াবগী সিষ্টেম অসি হেক লৈরিবমখৈ ইন্দিয়াদা হীদাক মনা অমসুং মসিগী পোত্থোকশিং থিংবা ওইথোক্লোই। মতম অমদা চুরূট মচৈ অমদা লুপা ২ পীরম্বদু হৌজিক লুপা ২০ পীদুনা লৈরগা অদুমক থক্লরি। খ্বাইদগী হেন্না মঙং চুমদবা অমনা মৈখূ শিজিন্নবগী মথক্তা জর্দা অমসুং গুদকানচিংবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবসিনি। চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং ফাওবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নৈ। জর্দা মতপ অমা চাবা হায়বসি অরেম্বদৌনা তৌনৈ। মী লাক্লগা ক্না জর্দা লানবা চৎনৈ। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি অসিগুম্বা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শিজিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ হায়না চহী খূদিংগী থৌরমদি পাঙথোক্লে। নুমিৎসিদা হীদাক মনা শিজিন্নবনা অমাঙবা অমসুং ওইহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্ননবনি হায়দুনা হোৎনৈ। অদুগা মথংগী নুমিৎতনা মখোয়না ক্না জর্দাবু তঙাইফদবা পোৎলম অমা ওইনা শিজিন্নবদৌনা তৌরকই। মীওইবনা হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা লৈবদা মতেং ওইহন্নবা ঐখোয় পূন্নমক হীদাক মনাগী পোৎলম শিজিন্নবা লেপ্লসি হায়না মীয়ামদা হায়জনিংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফমদি মণিপুরী ফম্বাক লীলানি। 'জাতি কৌবী শকহেনবী' হায়বা ঈশৈসি ঙসিফাওবা পাম্না শক্লরি।
(ক) ঈশৈ অসি করম্বা ফম্বাক লীলাদা শকখিবগে?
(খ) ঈশৈ ময়েক অসিগী অইবদু কনানো ?
২। "লৈমন চল্লবী লৈরাংগী অৱাবা/খঙবীরোই কনানা, তাবিরোই তাইবঙনা।" ওজা পহাড়ীনা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো?
৩। "লাইজথক্কী থারিকথা/মালং চীরোল ফংবদা/লৈনা জগোয় শাবদি/থাজ মাবু ঙাইবরা?" ময়েক অসি শৈশকপা কৈশাম জামিনীকান্তগী ময়েকনি। কনানা শকখিবগে?
৪। 'ঙসিদি অশেংবা হায়দোক্লগে' হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৫। 'ঈশৈ পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদুনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট | (৫) |
| ***২) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়, রাজবাবু থোং মনাক, ইম্ফাল ৱেষ্ট*** | ***(৫)*** |
| ৩) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খে লৈকায় | (৫) |
| ৪) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭২গী ৱিন্নর**

***হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়, রাজবাবু থোং মনাক, ইম্ফাল ৱেষ্ট (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭২গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুন ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২ গী পাউখুম

১। কাং শান্নবা হায়বসি ঐখোয়গী থানবা য়াদ্রবা মশান্না অমনি। মী তরেৎ-তরেৎ ফম্নরগা শান্নবনি।
(ক) করম্বা মৈদিংঙুগী হাক্তক্তা কাং শান্নবা হৌখিবগে? **:- মৈদিংঙু লোইতোংবা**
(খ) পনঙাকপা মীশক্না ফমফম কয়াশুবদা ফম্বগে? **:- অনীশুবা ফমফমদা**
২। "নোংমা নোংমগী থামচাগী মমল হাইথরকপনা ঈশিংমুক মমল লায়খ্রে। কান্নবদি লৈবা মমলদি হোঙবা।" পরেং অনীসি এম কে বিনোদিনীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু? **:- 'ইমাতোন'**
৩। "বেশ্যাইমচাগী/ওক মকোক পানবশিংদো/মমীৎ মমীৎতমক ময়েংনৈ/মমীৎতমক ময়েংনৈ।" পরেং মরি অসিনা শ্রীবীরেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু? **:- 'অমম্বা মপৈ মপৈ'**
৪। "হায়হৈদে তমু, তুংগী পুন্সিগী খল্লু, লমন শিংদনা তোকলোইসি।" পরেংসিনা 'নূংগী চীনবান' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু?
**:- ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী দেবী**
৫। "হল্লকখিনি অমুক তোর্ব্বানসিদা' হন্দোকপদু কনানো? **: নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ**

# এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট প্রাইভেটাইজ তৌরসি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**এদ্যুকেসন** হায়বদি লৈপাক অমা/খুন্নাই অমা শেমগৎপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরিবা হীরম অমনি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফেল ওইরবা লৈপাক অদুদি চাওখৎ খোঙজেলদা য়াওবা ঙম্লরোইদবা, মনীং হন্দুনা চৎলবা, অমম্বা মায়কৈ তন্লিবনি হায়নবা লৈ। এদ্যুকেসন হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ঐখোয়গী লোল'দা করি হায়গদগে? ঐহাক চমম্নে। লাইরিক তম্বীবা হায়গদ্রা? মহে তম্বীবা হায়গদ্রা? মরমদি, লাইরিক হৈবা হায়বসিগা মহে হৈবা হায়বসিগা, অনী অসি মান্নদে। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদা ফোর্মেল এদ্যুকেসন তমদুনা সার্টিফিকেট/দিগ্রী পায়রবা মীশক অদুবু কৌনৈ - লাইরিক হৈবা। মাষ্টর দিগ্রী পায়র'তুং দোক্তরেট দিগ্রীনচিংবা পায়রবা মীশক অদুবুনা থোইদোক হেনে দাকপা মীশকনি হায়দুনা হেন্না ইকায় খুম্নৈ। অদুগা, হিংনবগী শিনফম ওইনা পায়নরিবা অতোপ্পা শিনফম কয়া - উ শূবা, চেক শূবা, য়োৎ শূবা, সনা শূবা, মুর্ত্তি শাবা, লাই য়েকপা, জগোয় শাবা, ঈশৈ শকপনচিংবা ময়াম অসিদি মশানা পায়জরিবা শিনফমদুদা থোইদোক হেন্দোকপা ওইরসু কনামত্তনা ইকায় খুম্নদে।

অদুনা, হৌজিক ৱাহং অমা থোরকই - এদ্যুকেসন হায়বা কন্সেপ্টসিগী মনুংদা শিনফম মখল কয়াগী হৈশিংবা (স্কিল) অদুদি চনশিল্লোইদ্রা? মরমদি, এদ্যুকেটেদ ক্লাস অদুগী মনুংদা হৈর-হৈরবা আর্টিষ্টশিং, আর্টিসনশিং, খূৎশা হৈবা মীওইশিং অসি চনশিন্দে। মখোয়গীদমক অতোপ্পা ৱাহৈ অমা শেম্লকই - স্কিল্ড লেবর, স্কিল্ড দান্সর, স্কিল্ড আর্টিষ্ট অসিনচিংবা। মতৌ অসুম্না, থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোয়শিংবুসু স্কিল্ড প্লেয়র হায়না খঙনবগী চৎনবী অমসু লৈ। অদুগা, কলচরেল এদ্যুকেসন নৎত্রগা স্পোর্টস এদ্যুকেসনগী লম'দা ফোর্মেল এদ্যুকেসন ফংলবা, সার্টিফিকেট নৎত্রগা দিগ্রী কোর্স/মাষ্টর্স কোর্স লোইরবা মখোয়দুবু লাইরিক হৈবা! খেন্নবা মীৎয়েং অসি য়েংবীয়ু।

ইংরাজি ৱাহৈ/টার্মিনোলোজিদা ঙাওরবা ঐখোয়গী ৱাখল অসি য়েংবীয়ু। এদ্যুকেটেদ (লাইরিক হৈবা) হায়বা অমগা লিটরেট (লাইরিক ময়েক চৎপা/ইবা পাবা হৈবা) হায়বা অমগা, কাঙলূপ অনীসু শেন্নম্মী। মতৌ অসিগুম্না অন-এদ্যুকেটেদ হায়বা অমগা ইল্লিটরেৎ হায়বা অমগসু লৈ। খঙদে, দিগ্রী পায়বা অন-এদ্যুকেটেদ ওইবা মীসু য়াম্না লৈ। ইবা-পাবদি হৈত্রগা, এক্সপরিয়েন্স অমদি লৌশিং শিংবা মী কয়া অমসু লৈ। খঙদে, মখোয়দুগীদমক্তি ইংরাজি হৈবা নৎত্রগসু, অশেঙবা ইংলিসমেন ওইজবা মখোয়না করম্বা অতোপ্পা ৱাহৈ অমা শেন্নম্বনো!

অমবু ওইরে অমবু ওইরে, মীওই খুন্নাই অসিদা এদ্যুকেসন হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা হীরম অমা ওইনা লৌনরক্লিবসি কুইরক্লে। এদ্যুকেসন হায়বসি য়াওদবা মীওইবগী শিনফম অমত্তা মপূম ফাবা শিনফম ওইদে। ফোর্মেল এদ্যুকেসন অমদি ভোকেসনেল এদ্যুকেসন হায়বা এদ্যুকেসন মখল অনীসু থোক্লকই। লৈপাক অমগী লৈঙাক পথাপ শেম্বসু 'এদ্যুকেসন' য়াওদবা য়াদবা অমনি। লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট) অমা শেম্বদসু 'এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট' খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি।

ঙসি ঐনা করিগী ৱারেং অসি ইনীংলক্লিবনো? মরম অমা লৈ। ঐহাক এদ্যুকেসনিষ্ট অমদি নত্তে। হীরম অসি নৈনবা নৈনরোয়/স্কোলার অমসু নত্তে। থিজিন হুমজিন তৌরুবসু লৈজদে। অদুবু, মতম খরই মমাঙদগী, লমদমসিগী য়েলহৌমী অমা ওইনা তাজরকপা পাউনিলখোল অমখক্না ঐবু পূক্নিং ৱাখল অনীমক্তগা কন্না ওৎখি, নুংনাংহনখি। মদুদি ...'মণিপুরগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, খ্বাইদই মোৎপা দিপার্টমেন্টনি... মহৈগী লাইরেম্বী মশাক্না দিপার্টমেন্ট অসি শেমদোক্কে/শেংদোক্কে খন্না লাইরৈবাক্তই কুমথরক্লবসু, অমোৎপা অসি শেংদোকপা শুকঙম ঙম্লরোই'...। অতৈনা হায়বা ৱা ওইরম্লবা, ৱাহায় অসি ঐহাক্না থোইনা লূম্না লৌরম্লোইদবনি। এদ্যুকেসনগীদমক ৱাজবা, মশামক ওজা অমা/এদ্যুকেসনিষ্ট অমা ওইনা তাইবঙ শিন্থা পায়রম্বা, শিনফমসিদই পোত্থাখিবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমনা হায়রম্বনি। হায়নবা লৈ-দিপার্টমেন্ট অসিদা শাশিন্নবা, এপোইন্টমেন্ট ওর্দরনা ওজা ওইনা চঙখিবা ওজা কয়ানো? দিপার্টমেন্ট অসিগী মনুংদা থবক তৌরিবা মীওই অমত্তনা চপ চানা হায়বা ঙমদে। ফেক এপোইন্টমেন্ট ওর্দর'না ওজা ওইনা চঙলগা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা, ঙসি পেন্সন ফংলিবা পেন্সনর কয়া অমসু লৈ। দিপার্টমেন্ট অসিদা পুকচেল শেংনা থবক তৌরগা, অরানবশিংসি চুমথোক্লগা, ইরিগুলারিশিংদু রিগুলারাই তৌনবা হোৎনরম্বা ওফিসর খরনা হায় - 'মথক থোংবা ওফিসর/মন্ত্রিশিংনা দিপার্টমেন্ট অসি অমুক্তং রাসনেলাইজ তৌরগা, তুংগীদমক অফবা এদ্যুকেসন পীবা ঙম্বা দিপার্টমেন্ট ওইহনবা পামদে'। মহাক্কী ৱাহৈ অসিনা, ঐগী ওজাদুগী ৱাহৈদু জষ্টিফাই তৌই। মণিপুরগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট (স্কুল), শেমদোকপা য়াদ্রবা/য়াররোইদবা সিষ্টেম অমনা পুল্লবা দিপার্টমেন্ট অমনি। লায়েংবা ঙম্লরোইদবা লায়না অমনা নারবা হকচাংনি, শোয়দনা শিরগদবনি। হৌজিক্কী (বি জে পি গভর্ণমেন্টকী) আশা চাউরবা মিনিষ্টরসিনসু ঙমজবা থাক্তা হোৎনরম্মী। মাইবনা খূৎ থাবগুম, আশা অদু মাঙখ্রমাল্লে - এক্সত্রা ইনর্জি থাদখিদ্রে। অনৌবা পাউ তাখিদ্রে।

পূম্নমকসিগী মহয়নি - লৈঙাকসিনা চলাইবা, অঙকপদা শেল থাদরিবা স্কুল অমত্তগী মহৈরোয় 'হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন' গী মকোক মথং কুনমঙা ফাওবগী মনুং চনবা ঙম্লক্ত্রিবা ফনা কুইরক্লে। মহৈরোয় অমত্তা পাস তৌবা ঙমদবা স্কুল কয়াগী মমিংসু পাউচেশিংদা ফোঙদোক্ন রক্লে। স্কুল এদ্যুকেসনগী এরিয়া অসি গভর্ণমেন্টসিনা থওইদে হায়বসি লৈঙাকলোয়শিংগী করম্বা ৱাহৈনা কক্কদৌরি? ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে, মরায় চায়থরক্লিবা মণিপুরগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী পাউ অসি তারক্লিবা কুইরক্লে। মীচম মীয়াম্না থাজবা মাঙখিদুনা মচা-মশু পূম্নমক পাভেট স্কুলদা থাখিবদা মন্ত্রি-মন্দল-ওফিসর পূম্নমকসু তুংইন্নখিবনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংসু গভর্ণমেন্ট স্কুলদা থাজখিবনি। অঙাংশিংবু লেম্না মহৈ তমহন্নবা, পীজ-পীথক তৌনবা, লাইরিক লেম্না পীনবা থৌরাং থৌশিল পূম্নমক অঙম অথৌগা মান্নরগা শেন্দান-লন্বী ওন্থোকখিবনি, ফগৎলক্কনি হায়বই থাজবা লৈতে। অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈ অমত্তং খন্নবা তারবা - এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী থৌমী পূম্নমক লৌথোক্লগা প্রাইভেটাইজ তৌথোকখিবনি।

# ফুঙ্গাৱারী

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**মৈতৈগী** ফোকলোর নৈনরকপদা ঐখোয়গী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিসু য়াম্না চাউবা তাঙ্কক অমনি। নৈনরোই, থিজিল্লোই, অখঙ-অহৈ, মাইচৌ-মাইনৌ কয়ানা ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদা নত্তনা ঐখোয়গী ফোকলোরগী তোঙান তোঙানবা মচাকশিংবু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী নৈনদুনা লাকপগী মমি কয়া অরিবা পুয়া লাইরিকশিংদা, ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী কয়াদা, চিনবুং ৱারী কয়াদা তাবা উবা ফংই। মখা তানা ফুঙ্গাৱারীগী মতাংদা কুপথনা খন্নদ্রিঙৈদা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা ফোকলোরশিংগী মতাংদা খরদং হান্না অমুক্তং নীংশিংমিন্নহৌসি।

ফোকলোর হায়বসি ওক্সফোর্দ এদভান্স লানরস দিক্সনারিগী মতুং ইন্নদি অকক্লবা লৈবাক অমগী নৎত্রগা ফুরুপ কাঙলূপ অমগী ত্রেদিসন (ফুরুপ অমগী থাজনবী, কষ্টম নৎত্রগা কুইরবা মতমদগী চৎনরক্লবা থবকশিং) অমদি ষ্টোরিশিংবু খঙনৈ। ফোকলোর হায়বসি কলচর হায়বসিগা য়াম্না মান্নবা ৱাহন্থোকশিং লৈ। মীয়াম্না য়াম্না খঙনা খাঙনরিবা ৱাহৈদি কলচর হায়বসিনি। আর্ট এন্দ কলচর, কলচরেল হেরিটেজ, ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা কলচর, কলচরেল এক্টিভিষ্ট অসিনচিংবা কলচর হায়বসিসু ফুরুপ অমগী, লৈবাক অমগী তোঙান্না লৈজবা কষ্টম, বিলিফটস, আর্ট, ৱেজ ওফ লাইফ অমদি সোসল ওর্গেনাইজেসন অদুনি। অদুগা ফুরুপ অমগী আর্ট, ম্যুজিক, দান্স, লিটরেচরনচিংবা কয়াবুসু কলচরনি হায়না লৌনৈ।



কলচরনা কোল্লিবা শরুকসি ওম্থোক্না পাক চাউখ্রে। ফোক হায়বা এদজেক্টিভ ওইনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈসিনা তাক্লিবসি কনাগুম্বা কাঙলূপ নৎত্রগা লৈবাক অমগী ত্রেদিসনেল ওইবা অমদি অতোপ্পশিংদগী পুংতোঙ-তোঙানবা চৎনবী অদুবুনি। খুদম ওইনা - ফোক সোং, ফোক আর্ট, ফোকটেলসনচিংবা অসিনি। মৈতৈগী ফোকটেল হায়রগদি অতোপ্পা লৈবাক্তগা নৎত্রগা ফুরুপশিংগীদা লৈতবা মৈতৈশিংখক্তগনা থায়নদগী শীজিন্নজরক্লবা অদুগুম্বা ৱারীশিংদুনি। মালেমগী ওইনা ফোকলোর নৈনবদা মখল অনী খাইদোক্লে।

অহানবদা নন ভর্বেল ফোকলোর অমদি অনীশুবদা ভর্বেল ফোকলোর হায়বা অসিনি। নন ভার্বেল ফোকলোরগী মখাদা লৈরিবশিংদি লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনবা থাজনবীশিং অমদি লাইথৌ-তীলথৌশিং, পোকপা অমদি শিবগী মরক্তা লৈরিবা পুন্সিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং, হরাউ কুম্মৈশিং চাকচা-য়িথক, য়ূমলৈ-কৈরৈ, ফিজেৎ-চাকচা, শান্ন-খোৎনবনচিংবনি।

লোয়ননা নন ভর্বেল ফোকলোরগী মখাদা লৈরিবা ফিজিকেল ফোক লাইফ অমদি পার্ফোমিং ফোক আর্টসশিংদি (১) ফোক আর্ট, ক্রাফ্টস, আর্কিটেকচর, পেন্টিং, ফিশা-লোনশা, য়োৎ-থাঙ শূবা, উ শূবা, থুমোক-তাইরুক শাবনচিংবা অমদি (২) জগোয়-ঈশৈ, শুমাং লীলা, লাই হরাউবা, থাঙ-তা, নট সঙ্কিতন, থাবল চোঙবনচিংবা কয়াসিনি। অদুগা ভর্বেল ফোকলোরগী মনুংচল্লিবশিংনা (১) ফোক নেরেটিভস - মিথস এন্দ লেজেন্দস, ফোকটেলস, প্রোভর্বস এন্দ রিদ্দলেস, ফোক সোংস, বেল্লেদসনচিংবা অসিনি।

মিথসকী কাঙলূপ্তুনা লৈশেম-নোংশেমলোন, কোরৌ-মালেম শেম্বা, থৱায় পানবা, অচৎ-চত্ত কয়া শেম্বা, মী শেম্বনচিংবগী লাই-তীলগা মরী লৈনবা ৱারীশিং, লাইচৎ-লায়াৎ/লাইহুই, লাংওন-শাইওনগী ৱারীশিংনি। লেজেন্দগী মনুং চনবশিংনা (১) মিথোলোজিকেল ওইবা ৱারীশিং - পোইরৈতোন খুন্থোক, খোংজোমনুবী নোঙ্গারোন, চোথে থাঙৱায় পাখঙবগী ৱারী (২) হিষ্টোরিকেল ওইবদনা - খোঙনাং হোগাইবি, নাওথিংখোঙ ফম্বাল কাবা (৩) লম-লমগী মমীং থোনখিবগী ৱারীশিং লম্মীৎলোন (৪) অফাওবা মীওইশিংগী ৱারী (৫)ইটিওলোজিকেল লেজেন্দসদনা সঙাই ওনখিবগী ৱারীনচিংবনি।

ফোক সোংদনা লাইরোল ঈশৈ, শিনশু ঈশৈ, নাওশুম ঈশৈ, অঙাংগী ঈশৈশিং, নুংশি নুংওনগী ঈশৈ: অৱায়-অখুম, খুনুং ঈশৈশিংনি। বেল্লেদতা মিথোলোজিকেল অমদি হিষ্টোরিকেল ওইবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, উ-ৱানচিংবগী শৈথারোলশিংনি। মথংদনা ঐখোয়গী ৱাংউরোন ৱাংখ্রবা পাউরৌ-পান্থৈশিং (Proverbs) অমদি পাউখোঙ (Riddles) নচিংবা কয়ানি।

ৱারেং অসিদা মরুওইনা নৈনজনীংলিবসি ফোকটেলগী মতাংদনি। ইংলিসকী ফোকটেলগী মতাংদনি। ইংলিসকী ফোকটেল হায়বা ৱাহৈসিগা চপ চাবা ৱাহন্থোক লৈত্রবসু মৈতৈলোনগী ফুঙ্গাৱারী হায়বসিগা মান্ননা লমদমসিগী ফোকলোরিষ্টনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মতৌ করম্না করম্বা মান্নবা মচৎ, মতিক-ময়াই লৈদুনা মান্ননা শীজিন্নরিবনো হায়বসি লমসিদা নৈনরিবশিংনা মরম পীদুনা নৈনরগা তাকপা অমদি মথৌ তারি।

ইপূ-ইবেন্না ফুঙ্গাদা ফমদুনা চাক ঙাইনা ঙাইনা মশু-মচাশিংদা ৱারী লীবী হায়দুনা ফুঙ্গাৱারী হায়নবা মাল্লি। ফুঙ্গাৱারী, ফুঙ্গা লাইরা, ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা হায়বনচিংবা ৱাহৈ কয়ামরুমসু লৈ। অদু ওইরবদি ফুঙ্গা হায়বসি চুম্নগী মৈ হৌফম ওইবখক্তা নত্তনা অতোপ্পা মরম কয়াগসু মরী লৈনবা মফমলা অমদি 'ফুঙ্গা' হায়বা ৱাহৈসি কদাইদগী করম্না হৌরকখিবা ৱাহৈনো হায়বসু থিজিন দবা য়ারোই। মীগী লম অতৈদা লৈতবা মৈতৈ ঐখোয়খক্তনা শীজিন্নজবা অদুঙৈগী ইপূ ইবেনগী ফুঙ্গাৱারী কয়াগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবদি কৈবু কৈওইবা, হনুবা-হনুবী পান থাবা, ইতা লাইথি, ইতা থাওমৈ, তপ্তা, লাই খূৎশাংবী, পেবেট, উচেক লাংমৈদোংনচিংবা কয়াসিনি।

হায়রিবা ৱারীশিং অসি মৈতৈ য়ূমথোং খুদিংদা লীনরবসু য়ূম য়ূমগী অমদি লম-লমগী খেন্নবা খজিক-খজিক্তি থেংনৈ। খরা য়াম্না খঙনবা ৱারীশিং অসি নত্তবা লম লমগী ওইবা ফুঙ্গংৱারী খরসু লৈতবা নত্তে। মীরমগী ওইবা ৱারীশিংদগী শেমদোক-শেমজিন তৌরগা ঐখোয়গী ওইবা মওংদা লীনবা ৱারী খরসু য়াওরি। মখোয়দু ফুঙ্গাৱারীদি ওইরগা মৈতৈগী ফোকটেলদি ওইবা য়ারোই।

ফোকটেলশিংসি মখল য়ামখ্রে - ফাগী জুগাইগী ৱারী, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, উ-ৱাগী ৱারী, হৈশিংবগী ৱারী, Moral Tales or Fables, Cummulative Tales, Etiological Tales নচিংবনি। মৈতৈগী ফোকটেল নৈনবা মীওই খরগী ৱাখল্লোন্দা ফুঙ্গাৱারী অমা থোনখিবগী অকক্লবা মতমসু লৈতে হায় অদুগা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি তশেংনা থোকখিবা অচুম্বনি হায়না লৌনদবা ৱাখলনা শাবনি হায়নসু ইরম্বা থেংনৈ।

মতাংসিদা লাকচনীংবা ৱাফমদি নৈনরোইশিং অদুনা সমদ্রেম্বী-চৈশ্রাগী ৱারীসি ফুঙ্গাৱারীগী কাঙলূপ্তা থম্লম্বগী মতাংসিনি। ৱারী অসিদি থোকখিদবা ৱাখলনা শাগৎপা ৱারীসু নত্তে। পুৱারীনা ময়েক লারবা খুদবনি। মৈতৈগী উমংলাই হরাউবগী লাইরোই নুমিৎকী নাক্নাথেংবগী তাঙ্কক্তা শকপা লাইগী ঈশৈসু ওইরিবা 'সনালেম্বী থোরক্লো...' হায়বসি নৈনরোইশিং 'সন্দ্রেম্বী থোরক্লে' হায়না পংইদা-ইশিনবগী চৎনবী অমসু উবা ফংই। 'নহুম পোন্দেল নৎত্রগা পোনজেল শাবিগে' হায়নবসু অদুম থেংনৈ করম্বনা অচুম্বনো অদুসু খঙদ্রি। শেন্দ্রেং-কুপত্রেংগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইরিবা ৱারীসিদা য়াওরিবা সনালেম্বীনা শমদ্রেম্বী হায়না কৌখিবগী মতাং নীংশিংবা মথৌ তাই।

'সন্দ্রেম্বীগী থৱায়না মথং-মথং শাইওন তৌরকপদা...' হায়নসু ইরম্বা থেংনৈ। থৱায়নদি করম্না শাইওন তৌগদৌরিবনো থৱায়দি লাংওন তৌগদবনি। মপোক লাংওন হায়নরিবসিনি। শাইওন হায়বদি মশা অমতনা মশক ওল্লগা কুম্মৈ ময়াম শান্নবা অদুবু খঙনৈ হায়না অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী।

মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না মৈতৈ য়ূমশিংদগী ফুঙ্গাশিংসু অয়াম্বনা মুৎনখ্রে। অদুনা কনাসু ফুঙ্গাৱারী লীনখিদ্রে। তাবিননবা অঙাংশিংসু লৈত্রে। স্কুল চৎনবগী হোৎনবগা অমদি ট্যুসন পরেং নংনবা চেনবদা চোকথরবা অঙাংশিংদা ফুঙ্গাৱারীগা অমত্তা চঙলরোই। ভিদিও গেমশিং অমদি ফেসবুক্তা ঙাওরবা অঙাংশিংদা থায়নগী ফুঙ্গাৱারীনা কৈদৌরুনি। ঐখোয়গী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি এনিমেসন তৌদুনা ফিল্ম খরা খরা পুথোরকপা, কোমিক্কী মওংদা অমদি চুম্না ৱারীগী লাইরিক ওইনা খরা খরা ফোঙদোক্লরকপসিসু য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি।

মসিগুম্বা মখলগী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদি অঙাংশিংনা য়াম্না পাম্মী। মমল য়াম্লবা ত্রেদিসনেল নোলেজ কয়া য়াওরিবা ঐখোয়গী তাঙল-তাঙলবা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মুৎখিদনবা অসিগুম্বা মখলগী মতমগা চুনরবা দোক্যুমেন্টেসনশিং তৌহৌবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি। হৌজিক মতমগী অঙাংশিংনা পামগদবা মওংদা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি পুথোক্তুনা তাহনগদবনি, য়েংহনগদবনি। অদুম পাম্নরক্কনি। কৈবু কৈওইবা, পেবেট, উচেক লাংমৈদোংনচিংবগী এনিমেটেদ ফিল্মশিংদু হৌজিক ফাওবা য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা ঙাক্তনি।

স্কুল অঙাংশিংদা ত্রেন্দ রাইম টিচরশিংনা নুংঙাই-নুংঙাইরবা মওংদা রাইমশিং তম্বীবগুম ওজাশিংদা ফুঙ্গাৱারীগী মতাংদসু ত্রেনিং পীবিদুনা অঙাংশিংদা ফুঙ্গাৱারীশিংবু লীদুনা তাহনবা, খঙহনবা অমদি পামহনবা অমসু চঙলি। মীরমগী ওইবা রাইমস, হিষ্টোরিস, মোরেল সাইন্সনচিংবদা ঐখোয়গী অঙাংশিং লাইনীং লৌবীবগী মহুত্তা ঐখোয়গী লমদমসিগী ওইজবা রাইমস, ষ্টোরিস, গেমস, ফুদস, লেংগ্বেজ, দ্রেসনচিংবা কয়াসু পামহনবা অমা মথৌ য়াম্না তারি।